# TDC (CBCS) Odd Semester Exam., 2023

## MANIPURI

**( 3rd Semester )**

Course No. : MANDSC/GE-301T

**( Cultural Patterns of Manipur )**

*Full Marks* : 70

*Pass Marks* : 28

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

## SECTION—A

Answer *twenty* questions, taking *four* from each Unit : 1×20=20

### UNIT—I

১। কলচর হায়বসি মতমগী মতুংইন্না হোংবা নাইব্রা ?

২। মেতরিয়েল কলচরগী খুদম অমা পীয়ু।

৩। নন-মেতরিয়েল কলচরগী খুদম অমা পীয়ু।

৪। ‘প্রিমিতিব কলচর’ হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইরম্বনো ?

৫। কলচর হায়বসি মণিপুরীদা করি হায়না ৱাহঙ্গোক পীনবগে ?

## UNIT—II

৬। ইপান্ থাবা হায়বসি করিনো ?

৭। ‘ৱাংব্রেন’ অসি মণিপুরগী করম্বা মায়কৈদা লৈবগে ?

৮। করম্বা মীশিদা শিরবদি ঈশিংদা পোৎলোইনবগে ?

৯। খম্নুং মিকোই লৌওনবী হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরেম্বীনি হায়না লৌনবগে ?

১০। মৈতৈশিংনা পোৎলোইবদা শীং শেম্বদা শীংখল কয়া শেম্বগে ?

## UNIT—III

১১। কনানা ইহান হান্না চৈথাবা হৌদোকখিবগে ?

১২। মৈতৈশিংনা শজিবুথাগী কয়ানি পানবদা চৈরাউনবগে ?

১৩। ‘শিনহেনবা’ হায়বসি করিনো ?

১৪। হৈক্রু হিদোংবা হায়বসি করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তগী চৎনরকখিবগে ?

১৫। পিবা চাক্কৌবগী থৌরমদা কনানা পোইরৈতোনবু চাক্কৌখিবগে ?

## UNIT—IV

১৬। শাইরুক তিন্নবা হায়বসি করিনো?

১৭। লুহোংবগী মমাংদা পাঙথোকপা থৌরম অমগী মমিং ইয়ু।

১৮। য়েক তিন্নবা মশেন-লৌন-লেনবা য়াব্রা?

১৯। 'উশিল মিতম থাবা'দা করম্বা ঙাবু থানবগে?

২০। মৈতৈশিংনা লুহোংবদা করম্বা লৈনা মপুং ওইনা শিজিন্নবগে?

## UNIT—V

২১। মৈতৈগী য়েক কয়াখক লৈবগে?

২২। চেংলৈ হায়রিবা কাংলুপ অসি মমাংঙৈদা করি হায়না খঙনরম্বগে?

২৩। করম্বা খুমম নিংথৌগী হাক্তক্তা খুমমগী কোনুং ময়াং ইম্ফালদা হোংলকখিবগে?

২৪। কুমফেন লানচিংবনা করম্বা খুৎলাইগী মতেংনা অঙোম নিংথৌবু মায়থিবা পীখিবগে?

২৫। করম্বা পুয়াদা খারাঙানবশিংনা কংলাদা পাল্লম্বগী ৱাফম ইরম্বগে?

## SECTION—B

Answer *five* questions, taking *one* from each Unit : 2×5=10

### UNIT—I

২৬। 'চৎন-থাজনবী' লাইথৌ-তিনথৌ হায়বসি করম্বা কলচর মওংগী মনুং চনবগে অমদি করিগী চল্লিবনো ?

২৭। ফিজেৎ-লৈতেংগী পোৎলমসিং অসি করম্বা কলচর মওংগী মনুং চনবগে অমদি করিগীদমক চল্লিবনো ?

### UNIT—II

২৮। মৈতৈগী পোৎলোইবগী মখলশিংদু করি করিনো ?

২৯। ঈপান থাবগী থৌরমদা কোরৌহনবা লাইদা করি করি পোৎলমশিং কৎনবগে ?

### UNIT—III

৩০। হিয়াং তান্নবদা হিগী মকোক্তা করি করি পরেং শিনবগে ?

৩১। মণিপুরী কেলেন্দ্রিকেল ফেস্তিবেল অনীখক ইরম্মু।

### UNIT—IV

৩২। 'মোনোগেমি' হায়বসি করিনো ?

৩৩। লুহোংলবা নোংঙাল্লগা পংথোক্লবা থৌরম অনীদং ইরম্মু।

## UNIT—V

৩৪। মৈদিংগু চরাইরোংবনা অঙোম নিংথৌবু মায়থিবা পীরাবা মতুংদা অঙোম নিংথৌদগী করি করি মুন্দুনা লৌখিবগে ?

৩৫। করম্বা চহীচাদা কনাগী হাক্তক্তা অপুনবা মৈতৈ ফুরুপ শেমখিবগে ?

## SECTION—C

Answer *five* questions, taking *one* from each Unit :

8×5=40

## UNIT—I

৩৬। কলচর করিনো হায়বদু তোঙান-তোঙানবা স্কোলারসিংগী মোত মতুংইন্না শন্দোক্লা ইয়ু।

৩৭। মণিপুরী কলচরগী মশক অদু মেতরিয়েল অমদি নন-মেতরিয়েল কলচরগী মশকশিংদগী য়েংলগা মচাতানা ইরম্মু।

## UNIT—II

৩৮। ঈপান থাবা থৌরমগী মতাংদা শন্দোক্লা ইরম্মু।

৩৯। মৈতৈ খুন্নাইদা শিবগী থৌরমদা মাইবনা লৌরিবা থৌদাংগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু।

## UNIT—III

৪০। চৈরাউবা হায়বা ফেস্তিবেল অসিগী থৌরম পরেংশিং অমদি নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অদু মরীক চুম্না ইয়ু।

৪১। 'হৈক্রু হিদোংবা' হায়বসিগী মরমদা শন্দোক্লা ইরম্মু।

## UNIT—IV

৪২। অঙনবা মতমদা মৈতৈ খুন্নাইদা চৎনরম্বা লৌন লৈনবগী মখলশিংদু করি করিনো হায়বদু মচাতানা ইরম্মু।

৪৩। হৌজিক্কী মতমদা মৈতৈশিংগী খুন্নাইদা মীয়াম্না পাম্না চৎনবা লৌন-লৈনবা মখলগী মতাংদা শন্দোক্লা ইরম্মু।

## UNIT—V

৪৪। করম করম্বা নিংথৌশিংগী হাক্তক্তা করম করম্বা য়েকশিং নিংথৌজা য়েক্কা তিন্নদুনা মৈতৈ ফুরুপ শেমখিবগে হায়বদু শন্দোক্লা ইয়ু।

৪৫। য়েক তরেৎকী থোরকখিবগী মতাংদা মচাতানা ইদুনা তাক্লম্মু।

★★★